# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- এক ভারত, শ্রেস্থ ভারতনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অপুনবা ভারত অমা শাগৎনবা হোৎনরি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৪ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) ৩৯ শুবা নেসনেল গেমস শান্নগদবা মেঘালয়গী ইন্তিগ্রেতেদ মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমানা পুন্না শঙ্গাখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- এক ভারত, শ্রেস্থ ভারত থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং অমসুং মহৈরোইশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অপুনবা ভারত অমা শাগৎনবা হোৎনরি।

দদ্রা এন্দ নগর হভেল্লি, দমন এন্দ দিউনা য়ুনিয়ন তেরিতোরি ওইনা অমদি মিজোরম, অরুনাচল প্রদেশ, বিহার, রাজস্থান, উরিষা, হিমাচল প্রদেশ, গুজরাত, মহারাষ্ট্র, সিক্কিম অমসুং গোৱা রাজ্যশিং শেমখিবগী নুমিৎ পালন থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা হায়- অমত্তা ওইবা, চাওখৎপা, অপুনবা ভারত অমা শাগৎপদা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাংবু লৈবাক অসিনা চাউনা ইকায় খুমনৈ। মহাকা হায়- মণিপুরগী চাওখৎলবা কলা সংস্কৃতি অমসুং হেরিতেজ, শান্ন-খোৎনবদা রাজ্য অসিনা লৌরিবা থৌদাংনা ভারতকী চাওখৎপগী লম্বী অসিদা অচৌবা মফম অমা কল্লি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা নাৎ চৎনবী অমদি কলা সংস্কৃতিবু য়োকখৎতুনা অপ্নবা ভারত অমা শাগৎনবগী ৰাখল্লোনদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা এক ভারত, শ্রেস্থ ভারত থৌশিল অসি পায়খৎপনি। মসিগী পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং অসিনা কলা সংস্কৃতি, শেল থুম, সমাজগী ওইবা লমশিংদা লৌরিবা থৌদাংবু ঐখোয়না ইকায় খুমগদবনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা গোৱাগী রাজ্যপাল শ্রী পুসাপতি অশোক গাজাপাথি রাজ্গী ভিদিও মেসেজ অমসু উৎখি। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী আর্টিষ্টশিংনা কলচরেল পার্ফোমেন্স অমসু উৎখি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং, সিভিল অমদি য়ুনিফোর্ম সার্ভিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

পুসিল (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিউ চেক্কোন এরিয়াদগী লালহৌলুপ অমগী কেদর অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোলরুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোংমন মংজিলদগী মণিপুর পুলিসনা মীওই অমদগী বিয়ার কেন ৫৫১ ফাগৎলে। মীওই অসিদগী কার অমসু ফাগৎখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভমদা হঞ্জিল্লকবগী পান্দমদা লমদম অসিগী সি.এস.ওশিং, ক্লব, মৈরা পায়বী

অমদি খুলগী লুচিংবশিং উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগী থবক চত্থরি।

আই.জি.এ.আর (সাউথ) হেদক্বাটরসকী পাউনা হায়- অসাম রাইফলসনা নম্বোল অমসুং চন্দ্র খোংগী মৈরা পায়বীশিং, থৌবালগী সি.এস.ওশিং, লিলোংগী মুস্লিম লুচিংবশিং, লৈমারাম হাইস্কুলগী প্রিন্সিপাল অমসুং খুলগী লুচিংবশিংগা ঙরাং উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিগী সেক্যুরিতিগী ফিভম, কাংলুপ মশেলগী মরী চেৎশিনহন্নবা অমসুং মীয়ামগী লন-থুম অমদি পুন্সি কন্নবা পায়খৎপা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখি।

অসাম রাইফলসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলগী মৈরা পায়বীশিংগসু উন্নখি। মদুদা অসাম রাইফলসকী মাইকৈদগী অনা লায়েং অমদি নহাশিংবু লমজিংবীবগী কেম্পনচিংবা পাঙথোকপা য়াওনা অরানবা পাউ শন্দোকপদগী চেকশিন্নবগী মতাংদসু খন্নখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী পল্লেল গেরিসনদা মীৎতা লায়নাশিংগী মতাংদা কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখি। মীৎ লায়েংবগী কেম্প অদুদা মীওই ১৪৩ লায়েংখি।

ব্লেকেদ (এল)ঃ কুকি ইনপী মণিপুর (কিম)না মণিপুরগী কুকি জো তাবা জিলাশিংদা চত্থরকখিবা টোটেল সটদাউন মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- খোঙথাং অসি সরকারগা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নরবা তুংদা টোটেল সটদাউন হন্দোকবা ৱারেপ অসি লৌবনি।

রেস্ক্যু (এল)ঃ নোংমাইজিং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুং চনবা ইম্ফাল হষ্ট জিলাগী সনাশাবী উমংদগী কল্লকখিবা অতাংবা চুম (বেঙ্গল মোনিতর লিজার্দ) অমা ঙরাং ফোরেষ্ট বিট ওফিস গ্বালতাবীগী ষ্টাফশিংনা মণিপুর জ়লোজিকেল গার্দেনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। হায়রিবা চুম মখল অদু সনাশাবীদগী মীওই অমনা থেংনরকখিবনি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৪ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

গেমস ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়া অমসুং মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমাগী পুন্না শিল্লোংগী পোলোদা লৈবা জে.এন. স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ইন্তিগ্রেতেদ মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

৩৯ শুবা নেসনেল গেমস ২০২৭ মেঘালয়না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকবগীদমক য়ান্না ৱারোল অমসু সহি তৌনখি। গেমস অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী অতৈ রাজ্যশিংসু তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়া পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়- মেঘালয় অসি শেল থুম অমদি ইনফ্রাষ্টকচরগী লমদা চাওখৎলক্লিবা রাজ্য অমনি। রাজ্য অসিগী জি.দি.পিগী চাং ৱাংখৎলক্লি। মহাকা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৪ ওইরবসু লৈবাক অসিগী খেল্লো ইন্দিয়া সেন্তরগী চাদা ২৫ দি লমদম অসিদা লৈরি। ডাঃ মন্দাভিয়ানা মেঘালয়দা হাই অলটিট্যুদ সেন্তর অমা লিংখৎনবসু লাউথোকখি।

করনাতক ঃ করনাতক্তা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা দি.কে. শিব কুমারনা রাজ্য অদুগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিগী মীফমনা মহাকপু দল অসিগী

লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

বেঙ্গলুরুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা এ.আই.সি.সিগী জেনেরেল সেক্রেতরি কে.সি. ভেনুগোপালনা হায়- দি.কে. শিব কুমারবু য়েৎনবা লৈতনা দল অসিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি। দি.কে. শিব কুমারনা সরকার শেমবগীদমক রাজ্যপালগা উন্নগনি। লাক্লিবা য়ুমশকৈগী নুমিৎতা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ফাইনেলদা ঙসি গুজরাত টাইতান্সকা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। মেটচ অসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দগী হৌগনি।

নিউ চান্দিগরদা শান্নখিবা ক্বালিফায়র টুগী মেটচ অমদা গুজরাত টাইতান্সনা রাজস্থান রোয়েলপু ৱিকেট ৭ থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টরনা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরকবা ৱাফম থম্লকপা, ইম্ফাল উখ্রুল লম্বী ফাওনদনবা তৌখায়রম্বা অমসুং খারম ভাইফৈদা য়ুম খরা মৈ থাদোক্লম্বগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী তৌখায়দুনা থদৎলমলে, কুকি তাবা মফমগী টোতেল সটদাউনগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)গী থবক হৌখ্রে, বি.এল.ওশিংনা য়ুম য়ুমদা লাকপদা মতেং পাংবীয়ু হায়বা ইম্ফাল ইষ্টকী ইলেক্সন ওফিসারগী ৱাফমনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লৈখ্রিদবা ত্রক দ্রাইভরদা লুপা লাখ ১০ গী এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দনা লাউথোকখ্রে। মণিপুর ত্রক ওনরস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না লুপা লাখ ১ গী তেংবাং পীখ্রে। তাঙ্খুল সি.এস.ওশিংনসু মতেং

তৌরক্লি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা শান্তি অমসুং অপুনবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগী ৱাফম থল্লক্লি হায়না পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। মহেরোই খুনাইগীদমক য়েংদুনা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহন্নবা সি.এম. আপীল তৌরকপসু পাউ অসিগী মনং চন্না সবহেদলাইন পীরি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রে, ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীসু এস্কাভেতর শিজিন্নদুনা তৌথোক্লগা মী চৎহন্দবা ঙমলি হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা খারম ভাইফৈদা কুকি তেরোরিষ্ট মশেল খুৎ থোকখিবগী রিপোর্ট ফংলে। খুলগী মী লৈনদ্রবা য়ুম খরা তুমা মৈ থাদোক্লম্লে হায়বসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট মিন ওং লাইং লৈবাকসিদা থুংলরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকিনা ত্রক দ্রাইভর হাৎখিবা য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং থাদোকখ্রে, লৈখিদ্রবা নিতিশ কুমারগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০ এক্স গ্রেসিয়া পীগদৌরি হায়বা পাউ অসিনা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। দি.জি.পি ওইরগদবা মুকেশ সিংহ মণিপুরদা থুংলখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কম্মিসন ওফ ইনক্বারি মণিপুর ভাইওলেন্স ২০২৩ গী চেয়ারমেন অমসুং মেম্বরশিং হৌজিক মণিপুরদা য়েংশিনবা লাক্লি হায়বা পাউ মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------